*"নীংতম্বা মাঙখ্রবা জাতি, মীপান তাংদনা হিংঙমদ্রবা মখোয়মুক তোনবা কদাইদা লৈ।" - সোনামনি (ঐগী ৱাকৎ)*

# শৈরেং

## কুকি লান

**—এম নিলকুমারি**

অমুবা ক্বাক্বা খোংলি (ক্বাক-ক্বাক)
মচা মাঙখিবা থিবনি;
কোকিলবু ক্বাক্বা মচানি খল্লুবা
ক্বাক্কী মকোন্দা কোকিলনা মরূম কোক্কল্লগা
মচা ওল্লবদা কোকিল ওইনা পাইখিবা:
অমুবা ক্বাক্বা লাক্বা-লাক্বা খোংদুনা
মচা থিবা লাকপনি।
উশা অমদগী উশা অমদা
চীংমায় অমদগী চীংপাক অমদা।
পাইনা পাইনা লাকপনা
চীংশাংসু চীংমায়সু চীংচেপসু ক্বাক্কী
নাথৈফম শেমদুনা চীংদুম চীংমায় পূন্নমক ক্বাক্কী
মহুম মকোন ওইখিবা
কনাগীসু অরানবা লৈরল্লোই
পাঙ্গল থৌনা লৌশিংতগী পান্বেরা
ইচা শুমগে নচা লৌথোকউ
নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে
লমজাও লম্ধাং কনশিনগে
কনানা ঙমগে য়েংনসি
অসি মঙাইরে মালেম ইমাগী থৌদোক কয়া
ইচা শুমগে নচা লৌথোকউ!

## মঙ নত্তে তাইবঙনি

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অহিং খুদিং মীৎ-কল্লা
অমা উইশিন্দনা
ৱাখলগী ঈপাক্তা তাওথরি,
মঙলান কয়াসু মঙখি।
অদুঙৈগী শুমাং থেলোং
ইমুং-মনুংগী তোঙান তোঙানবা
কাশিং, কাশিং অদুদা
ইশু, ইপু কোয়না লৈনা
চেন চোংদুনা শান্নখিবা,
রিলিফ কেম্পকী
মীয়াম মরক্তুদা।
করিনো ঐবু ঙহাক
তূল্লুরবরা?
মথোৎ কারকপা যৌবনগী মতমদা
খুলগী লাইবুংদা
লৈমা জগোয় শাখিবা
মীৎ-মাঙদা শঙ-শঙ উরকই;
মোমোন নোক্লিংদ্রবা মায়থোঙ
লৈচিল নোংফাই থাংজিল্লবা
থাজগুম, লৈমায়দা লুকথনা
খাংখিবা করম্না পাউদল্লসিগে
তাঙ্গোয় ওনখ্রবশিং'দো
ঙসিগী তাইবঙ অসিদা।

## লান নঙগী নফমদা

**—এম কে ঈল্লৱার**

ইরাক্লখি ঐ
ইরৈ অমদা ৱাখলগী
নুমিত্তুদা
থৌদোক্তুবু উরুবা
চৈচৎ ২-৭-২০২৩
নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকখিবা
খোইজুমানতাবী লমদমগী
তমথীরবা লানফমদা
থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা
মৈতৈ লানলোয় অহুমগী
থম্মোয় শোকপা ৱারীদা।
উরকখি লুরেন অমসু
য়েক্লবগীনি হায়বা অমা
থেৎলম্বদো শন্বলগী উয়ুংদা
লমন খুল্লকপগী মীংদা।
উরুরগা পূন্নমক্তো
হংজখি ৱাহং অমা ইথন্তা
কনানো মায় পাক্লিবসিবো
অদুগা মায়থীরিবনা কনা
লান নঙগী নফমদা।

## ইমা

**—থোঙ্গ্রাম বিরজিৎ**

পলেম ও ইমা নুংশিবী
করি ৱাহৈনা ফোঙদোক্কনি
কয়ারক হায়রগা পেনগদগে
নঙবু নুংশি হায়বসে?
করম্না কাউনি শীয়োম্মুংদা
থাবুম তরা নাউপুদুনা
তন্বীরকপা নঙগী মিংলেন
নুংওনবা হঙা মিঙ্গৌসে?
পলেম ও নুংশিবী
করি ৱাহৈনা শিনগদগে
খূদাং পায়দুনা তন্বীরকপা
অসুক নুংশিবা হৈনা খোঙথাং?
নঙগী নুংশি মীনোকনি
ৱাখলগী অমন্বা কোকহনবীবা
নঙগী নতম্পাক শাইগোন্নুংনি
অকি-অখং কোক্লিবা।
লাইশঙদা লাৎলিবা লাইরেন্বীদগী
নঙনা করম্না তাগদগে
নঙগী থৌজালগী খূৎশাশিংনি
নানবিবদা অৱাবা কোক্লিবা।
পলেম ও ইমা নুংশিবী
করি ৱাহৈনা ফোঙদোক্কনি
কয়ারক হায়রগা পেনগদগে
নঙবু নুংশি হায়বসে?

## ঈরাংলক্তা পোপি লোকপা

**—রন্ধীর থিয়াম**

ঈরাং মরকসিদি নুংঙাইজরে
অথিংবা অমত্তা লৈতরে
নৌনা থাখিবা পোপিশিং
শরেপ কাংদোং ফারেদো
লোকপগী মতম য়ৌরেদো,
য়াম্থৎপীনবা কনা য়াওদনা
থিংবীনবা কনা লৈতনা
কয়াদা চরোং চুল্লবা
কয়াদা মনীং তমজরবা,
ক্রোর ক্রোরগী বিজিনেসনি
শেল খাওজাও খাওজাওনি,
নার্কো টেররিজমদি চাওখৎলনি
অনৌবা খূৎলায় কয়া কয়া
য়ৌরক্লনি ত্রক লোদ কয়া,
থিংবীনবা কনা য়াওদনা
বিজিনেসতি অরোইবী তারনি
ইচা-ইনাও কয়া কয়াদি
ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লুপখ্রনি
মৈতৈ ফুরুপতি মুৎখ্রনি
চেকশিনসি অদুনা ঐখোয়।

## ঐগী রেদিও নুংশিবী

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

অয়ূক নুংথিল নুমিদাংগী
খোঙলোইনি নহাক্তি অথোইবী
নীংথম কালেন নোংজুথা
ৱারে কৌবতা হায়দবীনি,
থম্মোয় শুক্ষৎয়াই পুবীনি
রেদিও কৌবী নহাক অসে,
অকাশবানি ইম্ফালনা
চহী হুম্ফু শুরকপদা
পীজরি নহাক্কী নপোক নুমিৎকী
য়াইফ পাউজেল অথোইবা।
নুংতি নুমিৎ খুদিংগী
অয়ূক্কী য়েন্দা অঙনবদা
কোরৌ মশেক লাক্লিঙৈ
পলেম মমা ওইবীশিংনা
মপারি মমোমশিং হৌদোকপগুম
হৌদোকপীরি পেনা য়াকাইরোলনা
খোমলেন তূমখুল তাল্লিবা
অঙাং নৱা খিবিকপু
নোংমগী শিন্থা পাংনবা
অনৌবা ইনোৎ হাপ্পীরি।
অয়ূক নুমিদাংগী শোয়ফদ্রবা
পুং তরেৎমখায়গী পাউনা
মীৎ নাকোং ওইহনবীদুনা
তারিবা মীপূম খুদিংগী
লৌশিংগী পুক্কে পাহনবীরি
গুদ মোর্নিং গুদ ইভনিং মণিপুরগী
নুংশি নুংশিরবা ঈশৈশিংনা
লেপ্তুনা অৱা পোথহনবীরি
পুন্সিগী শিন্থা পাঙবদা
চোকথরবা পূক্নিং ৱাখলবু।
থায়না থায়না মমাঙঙৈ
ঈংল-নীংথমথাগী মতমদা
যূমগী শুমাং ময়ায়দা
মেঙলা নুংশা য়াইদুনা
ইচিল-ইনাও খ্বাই পূন্না
তরা চাকলেন চিন্দম্না
নোংমাইজিং নুমিৎয়ুংবগী
রেদিও দ্রামা তামিন্নখিবা
ঙসিসু নাপ্পদা খোন্থাং য়ৈরিবা
ঐবু করম্না কাউরসিগেনে।

## ইমাগীদমক

**—রাজকুমারি রিতাসনা**

হিংজরকপনি অৱাবা কয়া খাংদুনা
ঙাইজরক্লিবনি ইচাশিংনা
মালেমসিদা লৈরম্মী খঙনবা
তুংগী মীরোল কয়ানা
লোইবা নাইদা শোন্নহৌবদো।
নুংশিরবী ইমা মণিপুর
খঞ্জরকপা নীংজরকপা পূন্নমক
পাঙথোকচনবগী মতমদো
ওইহনবীরে ঙসিদি
লম পান্বা মীনুংশি হৈত্রবা
হুরান-চিন্থি তৌবা শাগুল্লবা মখোয়না।
ইমা নহাকপু কয়াদা ৱাহল্লবা ঙসিদি
খান্বা য়ারক্ত্রে ইচাশিং
ইমাগীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবসু
কল্লন্নগে চোংথোক্লক্লে ইচাশিংনা।
য়াথং পীরগে ঙসিদি ইচাশিংদা
নরৈবাকপু য়েক্লবদগী কল্লকউ
নমাই পাক্লা হঞ্জরকউ
নুমিৎতুদা পোকপগী মহয় য়াল্লে
মমা ওইবী ঐগী পুন্সিসে।

## লমন

**—দিলিপ নোংমাইথেম**


নুমিৎ তাশিল্লক্লে, মমশিল্লক্লে
হৌজিক্তি।
ঙসাই, চীংখোঙ-চীংয়াদা
ষণ হোইগৎপা চৎলুবদা;
চীংথক্তা কুকি খরা
অমন্বা ঙাইদুনা লৈহৌই
অদুনা, ইচে
নফি-নরোল চেকশিল্লু
মমাঙ-থোঙ অমসুং মনীং-থোঙগী
পোরোল চেৎনা লোনশিল্লু
ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইদনবা।
কুকিশিংনা ঈজৎ লৌবীখ্রবা
ইচে-ইচলশিংগী
লমন খুল্লিবনি হায়দুনা
কুকি নুপীশিংগী মশাদি
শোক্লুনুকো
ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইদনবা।
অদুগী শরুকপুদি
মচিল-মনাও মঙাগী
শকহেনবী তালোই
দ্রৌপতি ওন্থোক্লগা
সনা সরক য়াংবীথক্তা
পরেং শানা চৎহনসি।
অসাম রাইফলসকী, সিফাইনা
মতিন ওরো-ওরো তাবমখৈ
মমিৎ পেন্না য়েংজনবা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ক্লাসিক ওইরবা রুপমহল থিয়েটরগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা

কুইরে রুপমহল থিয়েটরগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা য়েংদবা। ঙসিদগী চহী ৩০গী মমাংদা রুপমহলগী অহল লমনশিং- মৈত্রম বীর (থঙ্গাল জেনরেল শাখিবা),শোরেনশংবম নবকান্তা অমদি ওইনাম বীরমঙ্গল (বীর টিকেন্দ্রজিৎ) অসিনচিংবশিংনা শান্নখিবা প্লেশিং লিশাং শিংনা য়েংলগা লাকখি। য়েংলিখৈ পেনখিদে। কুইরবগী তুংদা হন্দক অগষ্ট ১৩,২০২৩ অসিদা শান্নখিবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অনীশুবা শো য়েংজখি। ড্রামা অমা ওইনা অদুম নুংঙাইখি অদুবু পেন্দবদি য়াম্না লৈখি। মমাংঙৈগী লাইওইখ্রবা অহল লমনশিং খঙনীং নীংশিংলকখি। রুপমহলগী অহল লমনশিংগী মফমদা ইকায় খূম্নবা উৎচরি। চুম্মী মতম মতমগীনি অদুবু অহল লমনশিংদা অমদি য়াওখি।

বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা হায়রগা ঐখোয়না রুপমহল থিয়েটর খক্তমক নীংশিংঙি। মসিগী মরমদি বীর টিকেন্দ্রজিৎ হায়রিবা ড্রামা অসি রেকোর্দকী মতুংইন্না ১৯৫১অগষ্ট ১৩ দগী রুপমহল থিয়েটরনা শান্নবা হৌরকখি। চুম্নগী শান্নবা নৎখিদে-'বীর টিকেন্দ্রজিৎ ডে' হায়না বি টি পার্কতা ফাঁসি সগাই শারগা পুথোক্তুনা, নুংথিলগী পুংফমদা লৈ-শু কৎলগা বম্বুলানচিংবা থারগা থৌরম অমা ওইনা পাংথোক্লবা মতুংদা রুপমহলগী থিয়েটরদা মৈত্রম বীরনা ইবা, 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' ড্রামা মীয়ামদা উৎখি। লেপ্তুনা চহী খুদিংগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ ডে' হায়না রুপমহলনা পাংথোকলকপদগী 'পেট্রিওইটস ডে ' হায়না ষ্টেট সরকারনা মতুং তারকপদা ছুটি ফাওবা থাদুনা ঙসি ফাওবা নুমিৎ অসিবু চাওনা পাংথোকলক্লি। ঙসি 'পেট্রিওইটস ডে ' হায়না পাংথোক্লিবসি রুপমহল থিয়েটরগী অহল-লমন, অর্টিষ্টশিংগী অচৌবা ইথিল য়াওরকখি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই।



রুপমহল থিয়েটর খক্তনা লেপ্তুনা শান্নরম্বা বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা অসি কুমশীং ১৯৮৩ দগী মণিপুরগী অতৈ থিয়েটরগী কাঙলুপ খূদিংমক্না শান্নবা য়ারগনি হায়বা ৱারেপ লৌদুনা লাওথোকখি অমদি লমদমসিগী অতৈ ড্রামা হোল খরদসু চহী খূদিংগী উৎলকখি। বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা ইবীরম্বা,লাইওইখ্রবা মৈত্রম বীরগী মিংদা মহাকপু নীংশিংবা ওইনা মেমোরিয়েল ফন্দ ফাওবা ড্রামা শান্নদুনা খোমগৎপা হৌখিবগী পাউসু লৈখি। রুপমহলগী অহল লমনশিংনা শান্নখিবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা অদুমক ওল

ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনসু ষ্টেসনগী ষ্টুডিওদা রেকোর্ডিং লৌবীহৌদুনা চহী খূদিংগী অগষ্ট ১৩ দা অখন্নবা থৌরম অমা ওইনা ড্রামা অসি শন্দোকলকখি। ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা থাবীরি, মীয়াম্না তাবা ফংলি। রুপমহলগী টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা অসি ঙল্লিঙৈগী মতমদা টিকেৎ ফংনখিদে। মতম য়াম্না ৱাৎলিঙৈদগী ড্রামা অসিগী এদভান্স বুক্কিং থাবা চৎনরম্মী। মাংজৌননা বুক্কিং তৌদ্রগদি ফংনখিদে। নোংমদা শো অনী উৎলবা ফাওবদা টিকেৎ ফংনদবনা মরম ওইরগা রেডিওদা শন্দোকপা ড্রামা ওইনা তারগা খাঙনখি। মৈত্রম বীর মশামক্না থাঙ্গাল শাবদা ময়াম্না অশেঙবা থাঙ্গালনি হায়নখি, মতৌ অসুম্না সোরেনশংবম নবকান্তা অমদি ওইনাম বীরমঙ্গলসু মীয়াম্না টিকেন্দ্রজিৎ ওইদ ওইরবোই নীংখি। চান্দম গোপাল বৃটিশ ওফিসার শাবা রসিক্লাল কুন্দু শাবদা চোংথাম জয়কুমার মীয়াম্না শোন্নখিবনি। অতৈ মরুওইবা করেক্টরশিংগী মনুংদা মাইপাকপী শাবদা পকচখিবসু লৈরি। রুপমহলগী অখন্নবা চেকশিন্না শান্নখিবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামানি। ঙল্লিঙৈগী ড্রামা উবীহৌবশিংনদি নীংশিংবীরমগনি।

ঙসি ড্রামা অসি শান্নরকখিবা শো মশীং চহী ২৪৫ শুরে। ড্রামা অসি নৌহৌননা উজবা মতমদা কপ্পিংবা ফাওখি। ঙল্লিঙৈগী মশক খর নীংশিংলকপগুম তৌই। রুপমহলগী ওইনা ঙল্লিঙৈদদি ড্রামাদা শরুক য়াবা য়াওদবা অহল লমনশিংনা গেট কিপর ওইবা ফাওবা থেংনখি। রুপমহলদি অহল লমন থৱায় য়াওবা য়াম্না লৈবীরমখি। মখোয়গী ওইবা নিতি নিয়ম,থক্সি খাসি অমা তোঙান্না লৈজবা উখি। কৈথেল কারকপদা মীয়াম্না রুপমহল মপা য়ৌরে হায়নরম্মী। কৈথেল মনুংদা উন্নফম, মফম তাক্লফম রুপমহল মপাসি হায়নরম্মী। মতম অমা মশক থোক্লা, মফম চাওনা লৈরম্বা রুপমহল ঙসি ড্রামা য়েংবা লাকপশিংগী গাড়ি থম্ফম ফাওবা লৈতে। হোল মনুংগী চঙফম অমদি থোকলকফম নুংঙাইতে। মীয়াম তিল্লিঙৈদা মৈহৌ লাংপোক নৎত্রগা করিগুম্বা অমা থোকপদা খুদোং থিগনি। ড্রামা শান্নরিবা ফম্বাক মতমগা চান্নদে। রুপমহলগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা অসি ক্লাসিকেল ওইরবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ড্রামাগী মমল খঙজদবগুম তৌরি। শীজিন্নরিবা বেকদ্রোপ, অয়েকপা সিনশিং অনৌবা শিলহন্নীংলি। হান্ন শীজিন্নখিবা সেটশিং,দ্রেস অমদি কস্ট্যুমশিং, প্রোপর্টিশিং রুপমহল মশাগী মিউজিয়ম হাংদুনা থমজিনবা চুমগনি। মরমদি হৌরক্লিবা ঠিয়েটরগী মহৈরোইশিং, রিছার্স স্কোলারশিংনা হৌজিক্তি শোয়দনা থিজিনবা নৈনবা লাক্লগনি। হেক হৌরকপদগী শক্তম লাংখিবশিংগী মমিং মথা ফোটোগ্রাফশিংগী আর্ট গেলারি হাংদুনা কোরিদোরদা থম্বা মথৌ তারে। ঙল্লিঙৈদা শীজিন্নখিবা, য়োনখিবা টিকেৎ মচেৎ, রিসিপ্ট, খুৎই স্কৃপ্ট ফাওবা মমল লৈরক্লগনি। রুপমহলগী থিয়েটর অসি মতমগা চান্নবা বিল্ডিং ওডিটোরিয়ম শানবা মরী লৈনবশিংগী মিৎয়েং চংহন্নিংঙি। রুশিয়া লৈবাক্কী বোলসোই থিয়েটরসু মতমগা চান্নবা হোল ওইনা নৌনা অমুক শেমদোক শাদোকখিবনি। অরীববু য়েকখৎপসি মপান লমদদি চৎনৈ। রুপমহল থিয়েটর, মণিপুরগী বোলসোই থিয়েটরনি হায়বমক য়াই। ইতিহাসকী শরুক অমা ওইনা লা চনখ্রবনি।

জপানগী নোহ থিয়েটরশিংদি, মখোয়গী অঙনবা মতমগী শীজিন্নখিবা ফিজোলশিং আর্ট গেলারি হাংদুনা নোহ য়েংবা লাকপশিংদা উহল্লি। নোহগী লাইরিকশিং, সোভিনির ওইনা নোহ থাবা মোজা ফুরিৎ, টুপি, চা থক্লবা কপ ফাওবা নোহ থাদুনা মীয়ামদা লৈবা ফংহল্লি। মতৌ অসুম্না ঐখোয়গী রুপমহল থিয়েটরগী ওইনসু বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা য়েংবা লাকপশিংদা অঙনবা মতমদা অহল লমনশিংনা করম্না শান্নখি হায়বগী ফোটোশিং শীজিন্নখিবা ফিজোলশিংনচিংবা মীয়ামদা উৎথোকপা চুমগনি। মৈত্রম বীরনা ইবা 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' হায়রিবা ড্রামা অসিগী ফোঙলবা লাইরিক ফাওবা মীয়ামদা কপি ফংহনবা য়াই। বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা অসি ঐখোয়গী ওইনদি পুৱারীগী থোকখিবা মরুওইবা থৌদোক্নি। ষ্টেটকী থাক্তা পাংথোকলিবা পেট্রিওইস ডেনি। পুথোক্লিবা ড্রামা অসি খুল্লক্কী ড্রামা নত্তে, ষ্টেটকী থাক্তা শান্নরিবনি হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্না খনফম থোকই।

অসুক মরু ওইরিবা ড্রামা অসি য়াম্না মতীং লৈনা, লূম লূম লাওনা রুপমহলনা পুথোকপা ঙমদ্রিবসি প্রডক্সন কোষ্ট ৱাৎপনা ওইগনি খল্লি। টিকেৎ মমল লুপা ১০০ না খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরি।। শীজিন্নরিবা সেটিং, বেকড্রোপ,সাউন্দ সিষ্টেম, লাইটস অমদি ফম্বাক্কী ওইরিবা ফিভম অসি মতমগা চান্নদ্রে। থিয়েটর হোল অসিমকসু মতমগা চান্নদ্রে। দিল্লিগী কামানি থিয়েটরগুম, কলকটাগী নন্দিকার থিয়েটরগুম য়ৌবা ঙমদ্রগসু থিয়েটর অমগী লৈফম থোকপা মশক অদু ফাওবদি লৈহন্নীংঙি। হোল মনুংদা নিংশা ফুল্লি।

চহী খুদিংগী পাংথোক্তবা, উৎতবা য়াদে হায়দুনা হৌজিক পুথোক্লিবা মওং অসিদা রুপমহল থিয়েটরনা বীর ডিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা অসি উৎলগদি মতম অমা অহল লমনশিংনা শান্নখিবা, মীয়াম্না শোন্নখিবা অদু ময়েং তারক্কদ্রা হায়বগী পাখৎচৈ। মপান্দগী লাকপা অতোপ্পা কনাগুম্বনা য়েংলবদসু ঐখোয়গী ওডিটোরিয়মগী থাক অসিদা মায় খরা খুগদ্রা খনখি। হেন্না ফজহন্নিংবগীনি। ড্রামাগী নুংঙাইবা মহাউদি চপ চানা হৌজিকসু ফংলি, নুংঙাইরি। টু চুংবা কপ্পিংবা মতাং য়াম্না য়াওরি। আর্টিষ্টশিংনা মাগী মাগী করেক্টরশিং থৱায় য়াওনা শান্নবগী মমি তারি। ড্রামাগী মহাউ খঙনা য়েংলকপদা, থেঙনা চঙলকপা ভাবক্লা অঙাং অপীকপা য়াওনা য়েংবা লাকপা,মতম্বাক্তা অঙাং পল্লগা য়েংবা য়াম্না উখি। নাকন্দা প্লাস্টিক চৌকি থাজিন্দুনা ফমহনবা কয়া য়াওরকপসি তৌহনজনিংদে। নিঙোল চাক্কৌবগী লৈকাইগী চেরিটি শো অমগুম উৎলকপা অসিমত্তং মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনহন্নীংঙি। রুপমহলনা শান্নবা ড্রামা ওইরগসু বীর টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামা অসি ঙসিদি মণিপুরগী লন ওইরি। লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা মমল য়াম্লবা ড্রামানি। নেস্নেল লেভেল থাক্কী ড্রামা ওইহঞ্জনিংঙি।

"চৎলোকো হে অথৌবা, কাউররোই নংগী নপাও। তমগনি চোকথরবা মৈতৈদা শতাব্দী কয়াগী তুংদা।"

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

**ৱারী ককনাউ**

# অরেপ্পা ৱাশক

"হেল্লো"

"হেল্লো, কৈনো ঐনা ঙসাই উনসি হায়রগা লাক্ত্রিদি? ঐদি নঙ ঙাইবদা কয়াম ৱাই খঙব্রা? মতমদি সুম সুম থেংজিল্লক, নঙসু লাকপ্রা লাক্তে, লাকপ্রা লাক্তে। নঙ লাকপ্রা য়েংবদা ঙক মরীসে নারবনি। নঙ পীজগে হায়না হোটেলদগী লৈরকপা শিংহারাগা গুলাগদো, অদুসু ঐনা হুইদা পীজথোকখ্রবনি। ঐ ঙসিদি য়াম শাওনীংই। নঙ হৌজনুকো, হৌজনু হায়রিসিনি। নশক খরা ফজৈ গাইনা পোংঙিরো। শক ফজবা হায়বসে, লাইথোক অমুক্তা লোইবনিকো, অদু কাউগনু" ঐনা মরী-মরী ৱারৌবোই, নুংশিবোই, কল্লকপোই শুংলেপ লেপ্তুনা ঙাঙথবনি। মাসু কৈসু খুন্মক্তে। মানা লানবদুদা নুংঙাইত্রজাৎনি হায়না ঐনা খল্লি। মানা খুমদ্রবদুদদি ঐগী থম্মোয়দা খল্লক্লিবনা, ঐনা ঙম্মে, ঐনা ঙাঙবদা খুন্বা ঙমদ্রে হায়না খঞ্জরদুনা খরা পোংলপ অমুকসু মখা তাখি,

"চুমদ্রো ঐনা হায়সে। ৱাগা অমত্তা খুন্বা ঙম্মম্মরোইনে হা?" অদুফাও খুম্মক্তে। ঐনা মানা খুম্বদু ঙাইবনি। ৱাগী ৱাপা ঙসিদি খরা ঙাঙথরগে হায়দনা। খুম্মনলক্তদুদা ঐনা অমুকসু মখা তাথৈ,

"ফরে ঙসিদি ঙসি ওইরে। হয়েংদি শোয়বা য়ারোই। ঙসি থানবা মতমদো চপ চানা লাক্কদবনি। করিগুম্বা হয়েংসু লাক্ত্রবা, বাই পীরক্কে খঙউকো"

হন্দক্তি 'অহম' হায়না খৌদেমবোই করিবোই তৌরকই।

"খুন্মু খুন্মু, বাই পান্বরা, থুংনবা পান্ত্রা খুন্মু"

"হায় নঙ কনানো?" ঐ শ্বাই লাওই। মেমীমক্না সুমাইনদি হায়রক্তৌ মান্দে। ঐনা তৌরিসিবু নম্বর ওন্নরজাৎলা হায়না ঐ ফোন্দুদা অমুক মুন্না য়েংই। ফোনদা ঐনা য়াম নুংশিনা পামজনা সেভ তৌখিবা মাগী মমিং 'মেমী' হায়না থোরকই। নম্বর ফাওবদি ওন্নদে। অদুগা কৈগীনো মানা অসুম্মাইনা ঐঙোন্দা হায়রিসে খল্লিঙৈদুদা মখা তারকখি।

"নমিং করি কৌই? করি লমদগীনো?"

"অহ...উম... অহ!"

"উম অহ! গা তৌগনু, হায়য়ু নঙ কনানো? ইচানুপীগা নঙগা খঙনবা কয়াম কুইরে? নঙনা ঐগী ইচানুপীসি মাঙহন্নবা হোৎনরিসি করিগীনো? নঙ নমাইদু থুগাইয়ুরা?"

"খঙঙে ঐগা ৱারী শারিসি মেমী নত্তে, মমানি হায়বা। ঐ ইশাসি চেঙ খৈবগুম নিকপা হৌরে। ঐসু য়াম ইকায়রে। অদুনা ফোনদু থমজরগে হায়না হায়রুই।

"সোরি ইমা, ঐ শোয়খ্রে, ঐ লাল্লে, ঐ থমজরগে"

"য়ারোই থম্বা য়াখিরোই, ঐনা হংলিসি ফজনা খুন্মু, নৎত্রদি নঙ ইচানুপীগা অমুক হন্না উনবা য়ারোই' ৱাতাদুদা ঐ থম্বসু কিরে, অদুগীসু মথক্তা মানা হংলিদু ফজনা খুল্লগদি মচানুপী মেমী উনবা য়াদৌবা মাল্লি, অদুগা করিগুম্বা ঐনা খুমদ্রগা মচানুপী মেমীগা অমুক হন্না উনবা য়ারোই হায়বদুদা ঐ খুন্বনা ফরে হায়না খল্লে।

"ইমা করিনো ঐনা খুমজদোইসিবো?"

"নমিং করি কৌই নঙ হা?"

"ইমা ঐ রোশন কৌজৈ"

"করি লমদগীনো?"

"কৈশামথোংদগীনি?"

"ক্লাস কয়া তম্মী?"

"ইমা ঐ হন্দক্কী ত্বেলভ এগজামদু থাজবনি, অদুবু শেংনা হায়দোকচরিসিনি, ঐ লাইরিক পাবা খরা ৱাৎহৌবদগী রিজল্ট ফোঙবদা য়াওজরক্তে। ইমা ঐ মথংদদি কন্না হোৎনরগা পোজিসন লৌনবা হোৎনজগে হায়না খঞ্জরিবনি"

"করি হায়বা পোজিসন লৌগে হায়বা?"

"ঔ ইমা"

"তূমিন লৈয়ু। নঙগুম্বগা ঐগী ইচানুপীগা উনবা য়ারোই। ঐগী ইচানুপীদো কোলেজ অফবা অমদা মীং চল্লবনি। মা আই এ এস থাহন্নবা ত্রাই তৌহনগদৌরিনি। অদুনা মরকসিদা দিষ্টৰ্ব তৌবা য়ারোই, ফোন নম্বরদু দেলিট তৌ। মতুংদা অমুক হন্না তৌরকপা য়ারোই। মাগী ফোনসি ঐনা পায়রে, মাগী অনৌবা অমা লৈরগা পায়হল্লে। অদুনা নঙনা ফোন তৌরক্লসু ফংলরোই। করিগুম্বা সিগী নম্বরসিদা তৌরকপা তারবদি, ঐবু উশিত্তবনি হায়না লৌগনি। খঙলবব্রা?"

"হোয় ইমা। অদো করি কোলেজদা মীং চল্লগে?"

"মদু নঙনা হংবগী মথৌ তাদে, থম্মো" হায়রগা ফোনদু শৎ লাওনা থমখ্রে। ঐ হুমাং অনপ্পী কাংবগী ৱানিসে। অদুগীসু মথক্তা ৱাখলসি ফনা নীংথিজনা নুংঙাইত্রে। থৱায়সি ফনা ফজনা নুংঙাইত্রে। এগজাম ফেল ওইবগী নুংঙাইতবনে, মেমীগসু অমুক কায়নবা তারেদকো খল্লুবদা ঐ খুদক্তুদা ইশাসি তৌফম অমত্তা খঙখিদ্রে। নুমিৎতুদা ঐ নুমিদাংদু চাক চাখিব্রা চাখিদব্রা খঙখিদ্রে। অহিং চূপ্পা ঐখোয় মনীংগী পুখ্রি মপানগী শিড়িদুদা ফল্লগা অদুম লৈরম্মে। কোন্নথংদা ইমানা কোইথি থিরকপদগী ঐবু থেন্মগা ইমুংদা পুশিনবীরকখি। মাদি ঐনা হন্দক এগজাম ফেল ওইবদুদা ইচাসি মথ্বায় নুংঙাইতদনা তৌজরিনি হায়না খনবজাৎনি। ইমানা ঐবু চাক চারো হায়না ফনা থেল্লবসু ঐনা ঙমদুনা চানীংদ্রে হায়দুনা চাদ্রে। ফমুংদা অদুম চঙশিল্লগা হিপচিল্লে। হিপ্পে ৱানি তূম্বদি য়াবা নত্তে। অমুক চেপ, অমুক লোং তৌদুনা অহিং মিশেল খাঙখি।

নোংমা নোংমগী হৌখ্রে। মেমীগা ঐগা ফোনদসু ফাওনখিদ্রে। ঐসু কয়া থৌওইরুদ্রে। মানা ক্লাসকা হেনখিবদুদা ঐসু মথংদি কন্না হোৎনরগে হায়দুনা কৈসু থোইনা খল্লুদ্রে। অদুবু নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা কোলেজগী দ্রেস শেৎলগা রোয়ল ইনফিল্ড অমগী মনীংদা নপ্পগা দ্রুঙ দ্রুঙ লাওনা ঐঙোন্দগী হেনগৎলগা মনীংদা ফজনা নপ্পা মাগী মবুক্তগা কোল্লগা চৎখিবগী ৱানিসে। নুমিৎতুদা ঐসু অরেপ্পা ৱাশক অমা শকখি, মতুং অমুক হন্না ঐ মতিক চাবা মী অমা ওইদ্রিঙৈ নুংশিনবগী মরী অমত্তা থম্মরোই হায়না। ঐ লাইরিক কন্না পাখি। হান্নগী রোসনদু নৎত্রে। হৌজিক্তি ঐ কম্পিটিটিভ এগজামদা মায় পাক্তুনা ওফিসর অমা ওইরে। অদুবু হৌজিক ফাওবদি ঐগা খঙনবা কনা অমত্তদি লৈত্রি। মেমীদুদি মচা অনী শুখ্রে তাই। মাগী নুপাদু চেক শূই হায়ব্রা কৈনোমা হায়বনি। ঐ থোইদোক্না অদোমদা পূক্নিং চংলুদ্রে।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।